## ৱারী মচা

# অথুইলুগী মঙলান

*রাজেন খুমুকচম*

লৈশাবী মপূং ফারে। পুন্সিল্লগদি লূখম থনবা মশমদু থাদোক্লগদি লেক লেক লাউনা লেংপাক লান্দুনা নীংদু য়ে। হাইথরকপা পান্থোম, শাওং শাবান্দা অউবশিংনা কল্লক্তবা য়াওদে। অসিগুম্লবা প্রকৃতিনা পীথোরকপা শাবান্দুদা মোৎতায়নরবা ফিজোল শেৎচরগসু মকোক্তা সম অমা য়াল্লগা লাকপদুদি ঙাওরোইদবা কনা লৈরি?

অসুন্না নুংতিগী পামদা হেক হেক লাকপী অথুইলুবু য়েংহৌনবা লনচিপুনা চুশাং অমা পায়রগা, চার চারদুনা ঙাইরি। হেক উবগা কৌদুনা লক্লবা হৌরকই

অসিগুম্বা কুমগী নোংসি করম্বা মফম অমদি মতমদা অমুক্তং তারক্কদগে খন্দুনা ঙাইরক্লিবী অথুইলুনা তাঞ্জাদু নাম্থোকখিদৌরে মতাগুম খুম্লকই, "ইবুং, নঙনা ঐবু হেক হেক লক্লরিবসি করিগীনো?"

"নঙগী মশক য়ান্না ফবনি। মীগী ওইখিগদবা পাম্মুবনি। অদুনা ...।"

"ঙম্মোই, ঐদি নঙগী নুপী ওইনীংদে। নঙসে অপঙ য়ান্না মাল্লি।"

"অদুন্না হায়গনুনে অথুইলু। ঐদি নঙবু য়ান্না নুংশিবনে। নঙবুচঐগী ওইবা ফংদ্রবদি ঐদি ঙাওদুনা লোকখাদা চোংথদুনা শিনিংগনিয়ে।"

"অদো, ইবুং, নঙবু ঐগী মপুকসে থাকপা ঙল্লগদ্রনে?"

"করিগী ঙমদনি? নঙবু ওকপী অমদগী হেন্না চাবরনে?"

"ওই, ঐবু ওকপীগা লম্বা তৌগনো।"

"সে য়েংউ ঐগী পাম্বোম, খুবোম" হায়রগা লনচিপু মাগী পাম্বোম অমদি খুবোমদু উৎলি। অদুগা অমুক মখা তারকই, "ঐনা পুবা পান, মাইরেন, হৈজাং, থবীগী লেংকোৎ পোলাংদু খুনগী পাখঙ অমতনা থাংগৎপা ঙমদবনে।"

অথুইলুনা নোক্লগা হায়রকই, "ওই ইবুং, অদুননে ঐনা নঙবু অপঙ মাল্লি হায়রিবসে। অপঙবা মীদি পোৎলুম য়ান্না পুই হায়নবনে।"

অথুইলু মমীৎকা মখজাইগনা নোক্লম্লগা চৎখ্রে। লনচিপুনা তান্নরগা হায়রকই, "অথুইলু নঙগী পামদো ঙসিদি ঐ লোয়না য়ানবিগে। নঙ অদুম ফমদুনা লৈয়ো। অদো, ঐনা ৱারক্লকান্দা নঙবু পেন্না য়েংজগে, য়াবরা?"

অথুইলুনা ইশি শিথনা নোক্লগা–

"ইবুং নঙ শাউগনুও। নঙসু নঙগী থবক শূরূচো। ঐনা নখোয়দা লাক্লগা চানবা য়ান্না পৈশিল্লম্মু। ঐখোয়নী মথন্তা পূনবসে খুনকী মী মপূক ফত্তবশিংনা উখ্রগা ৱা য়ান্লক্কনিয়ে।"

অথুইলুনা ফনা হায়জরবসু লনচিপুনা ঙমদুনা অদুম মতুং ইন্নরকই। পাম য়ৌরবদা অথুইলুনা শুগদবা থবক্তু লনচিপুনা মখ্বাঙদগী পামথাঙদু শক্তুনা শূবা হৌখ্রে। অতৎ অখম লৈতনা তারকপা হুমাংনা ইরুজবগুন্নরুবা লনচিপুগী মতৌদু উবদা অথুইলু মপূক্লীংদু মওন মওন খনগনু য়াখিদ্রে। ইকাই নুংশি য়ান্ননা হায়রকই,

"ইবুং, য়াম ৱারনিয়ে। লেপখোও, চয়োম চাখিসে।"

মখোয়নী লৌশঙদা চঙদুনা চয়োম থোক্তুনা চামিন্নরি। চয়োম চানা চানা লনচিপুনা অথুইলুগী ফি থুংদ্রবা হকচাংগী শরূক খরদু হূরান হূরান্দুনা পেন্না য়েংলি। মদু অথুইলুনা য়েংলকপদা মীৎচানরুই। অথুইলু মিপাইনা ফিজিনা খুমজিনজে। লনচিপু হাইরপ ইকাইখিগুম তৌই।

নুমিৎ চুপ্পা অথুইলুগী পামদা পাঙ্গল শক্তি পূম্বা ফূদোক্তুনা শূরুবদুনা মশা চোকথবদি লায়রদুনা মদুবু হেক নীংশিংলুবদা লনচিপু মোন্দা নুংঙাইরকপদা নত্তনা হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকপগুম তৌরকই। নুমিদাংৱাইরম লৈকাই কোয়বা তোক্তুনা ঙন্তানা ফমুং চঙলগা মোন্দ্রং শান্নবা হৌরকই। অথুইলুনা পুরকপা চয়োম মখোয়নী পূন্না চামিন্নখিবা চয়োমদুগী মহাওদু নীংশিংলুরগা মহাক্লা চাখিবা চয়োম খূদিংমক্তগী হেনখি হায়না মথম্মোয়না হায়রকই।

লৈশা পাখঙ অনীদু নোংমা নোংমগী নকশিন্নরক্তুনা লৌনা লৈনরে। নুংশিবীনা ইনাক্তা লেঙদনা লৈরগবু নিপা ওইবা কনানা করি পেন্দবা অমুক লৈরমখিনি? অসুন্না পামদগী লোক্লকপা মহৈ–মরোং অমদি অতৈ পোখোকশিংদু লনচিপু মশানা তমেংলোং বাজারদা চক্তুনা হেক হেক য়োল্লুই অদুগা মদুদগী ফংলকপা শেলনা য়ূমগী অৱাৎ অপা পূম্বা মানা লৈরকই।

কুমওন কয়া হৌখ্রে। মখোয়নী মচানুপী অনীগা মচানুপা অমগগী মমা মপা হায়বদু ওইরক্লে। চীংগী লম ওইবগী মথক্তা অমুকসু মনুং হঞ্জিনবা মফম ওইবদুনা মখোয়গী মচাশিংদু লাইরিক লাইশু তমহনবগী ৱাখল থোইনা লৈতে। খরা চাউরকপগা মাগী মাগী মপাঙ্গলদুনা ঙম্বা মতেং পাংশিন্নদুনা শূ–নোম্বগী ৱাখলদা লোইনা লৈনে। অদুনা লমদমসিগী পুন্সি মহিংসি–নোংমগী পাঙ্গলনা অঙম্বা শূরগা চারগা নুমিৎ তাবা নোংঙানবা ঙাইবনা মরু ওইবা থবক্লি।

মীথোই মীহেনবমক নৎত্রবসু ঈংনা চীক্লা পাঞ্জরিবা ইমুংগী থৌবুরোল লনচিপু মশা ঙল্লক্ত্রে। অকনবা অরুম লাইহৌনা নারে। খুনগী মাইবনা মন্ত্র কয়া শোল্লে, লাই কয়া খুরুম্লে, মনা মশীং কয়াদগী শেম্বা মখল মখা কয়াগী হীদাক চারে। অদুবু ফবা কৌবা লৈত্রি। ফখিদ্রা হায়ববু হৌজিক্তি থা অমরোম ফারক্লে। অদুনা য়ূমগী চান থক্লবনচিংবা হীরম কয়াদা অৱাৎপতনা পীক থল্লক্লে। ইমুংগী লৈত লায়র খরা খরা উরক্লবা মচানুপী অহলদুনা হায়রকই, "ইমা, খুনগী ইমান্নবীশিংগুম ইনাউগা ঐখোয়নীসু মখোয় ময়াংগী থবক শূবদো য়াওরুগে।"

অথুইলু পাউখুম পাক্লা পীদে। মওন মওন খল্লি। ইমুংগী লৈতবশিংদু উরদুনা ইনখৎলক্লিবী মচানুপী অনীদুনা হায়রক্লিবদুদা মপূক্লীং নুংশিবা ফাওরকই।

অদুবু ফনা খন্দুনসু চৎকনু হায়বা ৱাহৈসিমদি মাগী মচীন্দগী থোকউ হায়বা শূকয়া য়াখিদ্রে।

মমানা তুমিন লৈরিবদু য়ারবনি হায়দুনা লৈশাবী মচা অনীদু মমান্নবীশিংগী মরক্তা বি আর টি এফকী লমবী শেম্বগী থবক য়াওবা চৎখ্রে। অথুইলুদি মচা অতোম্বদুগা অনাবা মপুরোইবদু ফমশেন্নবদুনা য়ূম থাদোকপা ঙমদ্রে।

অথুইলুনা মপুরোইববু চাক চানবা পুশিল্লকই। লনচিপুনা হায়রকই, "চীনসে ইখা খাই করিমত্তা চানীংবা পোক্তে। লাম্বসু ফাওদে।"

"কয়ানিদি শুরে। নঙনা উতুপ তাবগুম লৈদুনা করিমত্তা চারক্ত্রিবসে? খুনগী খ্বাইদগী পাঙ্গলবা ওইরম্বা নঙনা শোম্ছদুনা নশা নথন্তা লেপ্লগা চৎচবা ফাওবা ঙমশিল্লক্ত্রে।"

লনচিপু পাউখুম অমতা পীদনা ঙাইহাক তুমিন লৈরুরগা নাথৈননা হংলকই–

"ঐনা ঙমদদুনা লৈরবনিনা হাপ্তা কৈথেলদি নঙনা কারুবা নৎত্রা?"

"কারুদে।"

"অদুদি করি করিদি লৈরি?"

"লোয়নমক লৈরি।" অদুবু ৱাহৈসিমক্তি অথুইলুগী মচীন্দগী থোক্লকউ হায়বা হন্দকমুকসু য়াখিদ্রে। মরমদি ইমুংদুদা চানা থক্লবা করিমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। য়ূমথংনবদগী পূশিল্লগা চারিবনি। অথুইলু মমায়দু লৈথোক্লগা কারক্লিবা হুমাং মরীকশিংদু ফিজিনা লোন্না তৈথোকচৈ।

"ঙসাইদগী ইচানুপী অনীদুদি উদেনা। নঙনা মখোয়বু পাউখোন থাখিবরা?"

অথুইলু হন্দকসু খুম্বা ঙমদে। মশাদু ফুনগৎলকই। করন্নসু খুমগনি?

য়ান্না খঙগনবা লনচিপুনি। অথুইলুনা খুম্বা ঙমদ্রিবদুগী পাউখুম মহাক মওল–মওল খল্লি। মচানুপী অনীদু মখোয়গী পামদা থবক শূবা চৎহল্লমগনি নৎত্রগনা খঙনা চান্নবশিংদগী লৈত লায়র হংহনবা চৎহল্লম্বসু ওইরম্বা য়াই।

পূন্নমকসি খল্লুবদা মশাদু হুমাং পাখৎলক্লমাল্লে লনচিপু ফুক হৌগৎলকই। অদুবু খঙহৌদনা লেকথদুনা তুথরকখি। অথুইলু খংপ্রেক খংই। ৱাচেৎকী কাংথোলদুদা থাংগক্তুনা নীংথিনা হীপহল্লগা লৱাইদা ঈশীং থাদুনা হোৎনজে।

ঙাইহাক লায়কন্নরক্লবদা জ্ঞান তারক্লে। নীংশিংলকই অদুঙৈগী পাঙ্গলদো! ৱাখল তৌরদুনা য়ান্না তপ্পা হংলকখিবনি।

"ওক মচাশিংদু কয়াম চাউরে?"

"চাউদ্রি, মখোমদি খাইরে।"

"ঐনা সুমাইনা লৈরবদি কমদৌনি ...? অমতং ফারগা তমোংলোং হপ্তা কৈথেলদা য়োল্লুরো। অশীৎপা শেল খরদুদগী ঐগী হীদাক খরা হীদাক য়োনফমদগী মখোয়গা তানরগা লৈরকউ। অদুগা অরেম্বদুনা ইমুংগী অৱাৎ অপা খরসু য়েংলকউ।

মথংগী অয়ুক অঙনবনি। অথুইলু ওক্কোন্দগী ওক মচা অমা ফারে। মঙক্তা থৌরী থুরগা সম মনুংদা হাপচিল্লগা তমোংলোং কৈথেল তন্না লাক্লে। কৈথেল নুমিৎনিনা মীনা চীক্লা চায়না ঙল্লমদ্রে। মাগী ওক্লাউদু মীরক্তুদগী খরা চখোক্লগা মতাইৱাই অমদা থাদুনা য়োল্লি।

অদুক য়াম্বা মীয়ামদু মাগী মাগী পুনরকপা পোৎশিং য়োনবা লোইনরগা মানা মানা লৈগদবা পোৎশিং অমুক লৈরগা মথং মথং চৎনখিদুনা কৈথেলদু মী ইতাক তাল্লক্লে। মতম অসি ফাওবা অথুইলুগী ওক মচাদু কনানসু য়োল্লিবরা হায়নফাওবা হংলক্ত্রি। নুংথিলগী পূং অনী তাশিল্লক্লবদুদা উপায় লৈরক্ত্রদুনা মপুক্লীং নুংশিনা ওক মচাদু সমদুদা অমুক হাপচিল্লগা শা ককফমশিংদা কোয়না চক্তুনা হারে। অদুবু ওক্তুদি পীক্লিবনিনা চানবগীদমক ককপা য়াখিরোই, লোইগে হায়বা মীওইশিংদা য়োল্লুরো হায়দুনা মথং মথং থাদোরক্লে। ময়ূমদগী পুরকখিবা লুম্বু লুম্বু শাবা আশাদুনা পি ওল্লগা লেপ্তনা চেম্বরক্লগা হুমাংগা তোৎশিন্নখ্রি।

থবক শূবা চৎপা মচানুপী অনীদুসু ঙসিদি থবক চৎহল্লমদবনি। মমানা কৈথেল কাখ্রবদি চানবা চেঙসু ৱাল্লক্লনি হায়না মায়থোঙ মকা লামহৌবনি। লৈকাইদগী পুশিল্লুবদুসু ঙসিদি খরদংদা ওইরবসু শিংদোক্লগে হায়না খনখিবনি।

অথুইলু কৈথেল কূম্লক্লে।

সমদু হেক থাবা উবগা মপুরোইবা লনচিপুনা হংলকই।

"কদাই ঐগী হীদাক্তি? করম্বা মতমদা চাগদবনো? হীদাক চারবদি ঐসু ফরনিদা।"

অথুইলু ৱা অমতা ঙাংদে। সম মনুংদগী ওক মচাদু লৌথোক্লগা ওক্কোল্লোমদা চুমদ্রিং চঙখ্রিবদু লনচিপু ৱা অমত্তগা ঙাঙদনা য়েংলি।

## তাবুনুংদগী

*(ঙসিদগী চহি ৮৬ কী মমাঙদা য়াকাইরোল কৌবা থাগী চেফোঙ অমা ডা. নিংথৌজম লৈরেননা এডিটর ওইদুনা ফোঙলম্মী। চেফোঙ অসিগী এপ্রিল ১৯৩১ গী খূৎফোঙদা কবি ডা. লমাবম কমলনা ইবা "মিংচৎ" কৌবা শৈরেং অমা ফোঙখি। শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### মিংচৎ

কল্লবা লৈকং থুগাইদুনা পাম্বী হৌই।  
অচৌবা পাম্বীদু নুংশিৎনা ফুকতোকই।  
অকনবা নুংশিৎকী বেগ চীংশাংনা থৎলি।  
চীংদু থুগাইদুনা তুরেন্না চেল্লকই।  
তুরেলগী ইচেলদু সমুদ্রনা য়োৎশিল্লি।  
সমুদ্রনা শাউরক্লগা পৃথিনা থিংলি  
নুমিৎনা চাং নাইহল্লি পৃথিবীগী গতি।  
মতমগী মনাইনি অদুম্বা নুমিৎত্তুদি।  
মতমগী ঈচেননা কসুপ কল্লব,  
থৈদুনা চৎলি মিংচৎকী চীংদোল অৱাংবা।  
মতন্না কুইরগা ৱাংখৎলকই মাগী চীংদোল।  
মিংচত্তনি মীওইবগী মাংদবা লল।

*ডা. শ্রীকমল সিংহ*

## মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**১১৩. ইথুন থোকপমখৈ শুবা**
– য়ান্না ৱানা শুবা নোম্বা।

**১১৪. ইথুনগুম্বা**
– থওই উশিত্তবা মওং। থাক হম্থনা খনবা।

**১১৫. ইথুন্দুম ফাকচিনগে।**
– য়ান্না উশিত্তনা তৌবা ঙাঙবা।

**১১৬. ইথুন্দা থাংনা য়াল্লফাও ঈ থোক্তবা**
– পৎ তৎলবা, লোইনা তেংলবা, পৈশা পায়দ্রবা।

**১১৭. ইথৌদাং মীরাইবা পুন্সি লৈখা তানিংঙাইনি।**
– ইশাগী ইথৌ থওইদ্রবদি মায় পাকপা ঙমদে।

**১১৮. ইথক কাখৎলকপা**
– থওই উৎশিংলক্ত্রবা, লম হেল্লকপা।

**১১৯. ইথুনফাও য়ৌদবা**
– থাক য়ান্না হম্থনা লৌবা উশিৎতবা।

**১২০. ইনাক কৈরাক খুনবা**
– নুংঙাই য়াইফনা পানবা।

**১২১. ইনাক খুনবগী মতৌ লাইরবনা তম্বা হেন্না লাইরগে থৌরাংবনি।**
– ঙমসু ঙল্লোইদবদা মতুং ইল্লগা ইশাগী হেন্না মাঙজবা ওইবা।

**১২২. ইনাক খুনবগীনা দরকার লৈবা মতমদা, লাইরবগীনা অরৈবা মতমদা**
– মশা মশাগী মতিক উৎথোকপা।

**১২৩. ইনাক খুনবা তরানা লাইরবা অমা শৌগৎপা ঙমদে।**
– অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ওইবনা পেলহনবা ঙমদবা।

**১২৪. ইনাকখুনবনা লাইরনিংদবনি, লাইরবনা ইনাক খুন্নীংবনি।**
– নুংঙাই–য়াইফবা কাংবুনা অৱাবা তানিংদবা, লৈতবা কাংবুনা নুংঙাই য়াইফবা ওইনিংবা।

***খোমজিনবাঃ***
***ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

## চানক্য নিতি

– অপঙবা মীনা অয়ুক্কী মতম জুৱা শান্নদুনা, নুংথিলগী মতমনা নুপী নহা লোয়নদুনা অদুগা নুমিদাংগী মতমনা হূরান্দুনা মাঙহল্লি।

– (ভগবানগীদমক) মখূৎনা লৈ পরেং লেংলিবা, মখূৎনা চন্দন তক্লিবা, মখূৎনা লাইশোন ইরিবা মহাক্লা ইন্দ্রদগী নুংঙাই য়াইফবু নমদুনা লৌই।

– চু, থোইদিং, অতোনবা জাৎকী মী, লোয়নবী নুপী, সনা অদুগা লৈবাক, চন্দন, শঙ্গোম অফম্বা, থ্বা হায়রিবশিংসি তকখায়রিবা অদুক্কী মখৈ মগুণ হেনগৎলি।

– খাঙবা কন্না মায়োক্নরবদি লাইরবসি থোইনা ৱারোই, অচম্বা ফিসু লূনা শীজিন্নবদা হম্থনা উরোই, হাউতবা চীঞ্জাকসু ফজনা থোঙঙগা শানা চারবদি অমাঙবা পীরোই, অথীবা শক্তমসু অথুম্বা ৱাঙাং, ফজবা লমচৎ অমসুং নীংথিনা মী লোয়নবা হৈবদা অৱাবা ওইরোই।

– লন ৱাৎপবু লাইরবা কৌদে, বিদ্যা লৈববু ঈনাক খুনবা কৌই, তৌইগুম্বসুং মহৈ হৈতবদি হীরম খুদিংদা ৱাৎলবনি।

– খোঙ থাংদ্রিঙৈদা য়েংগনি ঈশিংবু থক্ত্রিঙৈদা চুমথোক্কনি, শাস্ত্র য়েংলগা ঙাঙ্গনি অদুগা পূক্লিংদা খল্লগা থবক তৌগনি।

– নুংঙাইবা পাম্লগা বিদ্যা থাদোকউ, বিদ্যা পাম্লগা নুংঙাইবা থাদোকউ। নুংঙাইবা পাম্বনা কদাইদগী বিদ্যানো, বিদ্যা পাম্বনা কদাইদগী নুংঙাইবনো?

– কবিনা উদবা করি লৈ, নুপীনা তৌবা ঙমদবা করি লৈ? য়ু থক্লবা মীনা হায়বা ঙমদবা করি লৈ? ক্বাক্লা চাদবা করি লৈ?

– লাইবক্লা চাক্লিববু নিংথৌ, নিংথৌবু চাক্লিবা অদুগা লল্লৈববু লাঙ্গৈরবা অমসুং লাঙ্গৈরববু ঈনাক খুনবা ওইহল্লি।

– পীনিংদবা মীদা নিরবা মী য়েক্লবনি, অপঙবশিংদা ফনবা তাকপিবা মী য়েক্লবনি, মচৎ লূদবী নুপীগীদি মপুরোইবনা য়েক্লবনি অদুগা হূরানবগী য়েক্লবনা থানি।

– মহৈ হৈত্রবা, খাঙবা কন্দ্রবা, পীথোক্কন্দ্রবা, লৌশিং লৈত্রবা, লমচৎ ফজদ্রবা, মগুণ লৈত্রবা অদুগা ধর্ম্ম লৈত্রবা মীদুদি পৃথিবী লূন্নবা মচাক্লি, মীগী শক্তম লৌবা কোয়চৎ চৎলিবা শানি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরি পাউখোং

১১১. শরুনা পন্থিংবা ইরোই অঙাংবনা লৈওনবা–  
১১২. মুল্লে মুল্লেদি হায়নবা চাবদি য়াদবা–  
১১৩. মমিৎ চাম্মা পানবনা চীং কাবা–  
১১৪. ময়াই কোয়বী কিশি মানবী অয়োহী–  
১১৫. মশানা মশাগী মমিং পাংকৌদা কৌবা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি।**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (২১-১২-২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

১০৬. ফেব্রুয়ারী ২৯  
১০৭. থা পুর্নিমা  
১০৮. চিগোংলৈ  
১০৯. হয়িংখোই  
১১০. পুং অনী তাবা

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **গন্নাদা হার মতীক চানা হাপ্পীগে হায়রবদি?**

– য়ূমগী গন্নাদা থাবা হৈপাল–লৈপালশিংদা খ্বাইদগী ফবা মখলগী হার চাং চপ–চানা ফংহনবিনবগীদমক্তা য়ূমদা চানরিবা য়েরুমগী কান্নদ্রবা মকূশিংবু অরেম্বদা হুন্দোকপিখিগনু। য়েরুম মকূশিং অদু মচেৎ তানা থুগাইবিরগা অহীং অমা লেন্না পাত্রদা য়াওবা ঈশিংদা তীংদুনা থম্বিয়ু। অদুগুম্বা ঈশিং অদুনা গন্নাগী হৈপাল–লৈপালশিংদা চাইবিরবদি য়ান্না ফৈ হায়না মরী লৈনবা বৈজ্ঞানিকশিংনা হায়রি।

* **গাজরবু মতম শাংনা তগৎ–তগৎ তেক্লা লৈহনবিগে হায়রবদি?**

– কৈথেলদগী লৈরকপা নত্রগা ইংখোলদগী ফূকপা গাজরবু মতম শাংনা পত্থ–পুমথদনা থম্বিনবগীদমক্তি ফ্রিজদা থম্বিরুগনু, মঙাল ফংদবা অদুবু নুংশীৎতি ফংবা অমম্বা জগা অমদা শন্দোক্তুনা থম্বিয়ু, চামথোকপিরুনু, চেরং–চেখাওনচিংবদসু হাপচীনবিরুনু।

* **গুলাবপু গন্নাদা মতম শাংনা তগৎ–তগৎ তেক্লা লৈহনববিগে হায়রবদি?**

– পাম্বীদগী হেক্লগা গন্নাদা লৈতেংবিরবা গুলাবপু মতম শাংনা তগৎ–তগৎ তেক্লা লৈহনববিগে হায়রবদি গুলাবশিং অদুগী ময়োলদা য়ুবি থাউ খজীক–খজীক তৈবীরগা ঈশিং য়াওবা গন্নাদা থম্বিয়ু।

* **ঘী পুমথরকপা ফহনবিগে হায়রবদি?**

– য়ূমদা থম্বিবা শঙ্গোমগী ঘী (clarified butter) অমদি দালদাগুম্বা অতৈ ঘী মখলশিংনা পুমথরক্তুনা নমথীবা মনম চেল্লক্লবদি চম্প্রা মনা ৪–৫ হাপচীনবিরগা মৈথক্তা থাঙ্গত্তুনা অমুক্তং শৌদোকহনবিয়ু।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুখোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনখোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

## শৈরেং

### মালেমদা শান্তি

*– ওক্রম রবী শঙ্কর সিংহ*

পায়রসি লৈচিনগুম  
অৱাংবা মফমদা  
খল্লসি ৱাখল  
শংবান্নরবা অতিয়াগুম,  
পায়রবসি ইরমদমসিদগী  
তুফাং খপ্তুনা  
চৎলসি ফজরবা  
ৱাখল পুদুনা  
থন্নসি মালেমদা শান্তি।  
থাদোকখিসি চমন্নরবা  
খোইশাওনরবা কান্নদ্রবা  
কুরাংপানগী ৱাখল  
হুন্দোকখিসি মল্লবা ফুরাগী মংলান  
ওইহল্লসি অশংবা মালেম।  
উচেক ৱায়াশিংগী  
নুংশিরবা শৈহেকফম  
ফজরবা মীওইবগী  
ৱাখলগী লৈতাফমনা  
ওইহল্লসি মালেমদা  
শান্তি।

### পঙনা পাল্লি তাইবংপান

*– ইরোম মোবি,*  
*কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল*

লাইনিংথৌ লৈমরেল লাৎলি য়ূমদা  
মৈরা মেক্রুক কৎতুনা খুরুম্মী  
অরুবা অহকপা লাইনি খঙদুনা।

মচা–মশু লুহোংবদনা  
শুমাংদা গৌড়গী ঈশৈ শকই  
য়েক শলাই ওম্বোকই  
চন্দন অশাংবী থীল্লি।

### খাম্বী মৈথৌরে

*– পোইরৈঙানবা নিঙোম্বম*

লাপ্পা চাক্লীবা লাম্নৈ  
ইমাগী চীংমায়দা উদরা নখোইবু  
খাম্বী মৈথৌরে চীংমাইসে  
কনানা মুথৎনি ইমাগী মৈচাক  
খঙবীদনা লৈথোক্লি কনানা উবীদনা  
নুংশি খঙদ্র' খুন্নাইশিনা  
হন্না য়েংবীদ্রে ঐগী ইমা।  
ঙরাং ঐগী খোল্লেন মঙলান্দা ইমাবু ঐনা উরম্মী  
চোকথর' ইমাগী মীৎলুদা ঈখেংগী পীরাং শিম্থহৌই  
ৱার' ইমাগী থম্মোইনা মচাগী মায়কৈ য়েংহৌই  
মতম অমগী য়াইফর' মীকুপ্পু হল্লকখিদ্রা হংহৌই।  
নীংথিবী লোক্তাকসু মাইহিং কারে  
অথোইবী শিরোই লিলিসু হিক্লা কপ্লি  
মীতৈ চনুরা মমিংতা ঙাইরে  
লেংবাল ফল্লম্বা মীতৈ নোংশাসু  
লৈমাইদা মরু লুকথখরে।  
লৈরিবরা লোৎতুনা ইমাগী অশেঙবা মচাদো  
লৈত্রবরা অমত্তা শিম্থরিবা পীরংসে তৈথোক্লবা  
কপ্লিবা ইমানা মাংখ্রনি মীপাইবগী  
তুন্না চাকখ্রনি ইমাগী থম্মোয়সু।  
পূক্লিংদা লাকপা ঈথিলশিং  
খোৎলি ঐনা চেনা মথক্তা  
মমিশামি ঙানবা মৈঙালসিদা।।  
ৱাখলগী ঈপোন্না মথং মথং লাক্লি।।  
নিংশিঙ লৈরাই তোরবান্দা থেংবদা  
শেংফাৎতবা ঈথিল খজিকতং  
খোৎচিল্লি ঐনা বোই মচা অমদা  
হোৎনরি ঐনা অমম্বগী অচিকপগী  
মিশেং খাংবগী মতমগা থেংননবা।।

### অহিংনা থেংলবদা

*– এলাংবম ধনঞ্জয়*

তাংলৌ অহিংনা থেংলবদা  
লমুপোংগী খোঞ্জেল তাখিদ্রে  
নিল্লম্বা পূম্বা মাংখ্রে।।  
অমম্বগী ফিজংনা কুপ্পদা  
য়াৱা খোঞ্জেল নমখরে  
পোথাখ্রে অশি পাংখক ওইনা  
অৱা নুংঙাই পূম্বা নিংঙাইদনা।।  
অথেংবা অহিংসিদা মিকপ থোক্তুনা  
খূৎতা কলম চেৎনা পাইদুনা  
ৱাখলগী ঈপাক্তা তাওদুনা

### থোকহনবীগনু

*– কান্তা মৈরালাকপম, ত্রোংলাওবী*

ঐ ঐগী লোইনবী ইচাশিংদা  
থৌদোক ৱাথোকশিং  
অমতা থোকহনবীগনু।  
থৌদোক ৱাথোকশিং  
থোকপা য়ারোই।  
থৌদোক ৱাথোকশিং  
খাংবা ঙমদ্রে  
মণিপুর মীয়ান্না  
ইরাং হৌবীরো।

### কায়না ঈশৈ শৈশকপা

*– ৱাই ইবুঙো*

পুন্সিবু নুংশিবনা নৈরক্লে  
ময়াই কারে নুংশি চৈনানা,  
থৌবন পুক্লিং চরাংনরিঙৈ  
কায়না চৈথেংনা য়ৈরমলে।  
কনাবু থাজদ্রে থম্মোয়সিনা  
নাইতোম তারবদা ঙসিদি  
নুংশিবা নঙগী শউন্না  
ৱাখল ঐগী লাংতক্লহল্লে।  
হে, কায়না ঈশৈ শকপা  
লেপ্পনু থেংজিন্দা ঙংলরনু  
নঙগী শৈহেক্লা নৌহল্লরোই  
নূঙগুম কল্লবা থম্মোয়সে।